জম্মু অমসুং কাশ্মির, বিহারগী গভর্ণরশিং ঙসি ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ১৩ শুবা গভর্ণর ওইনা সত্যা পাল মালিক ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। শ্রীনগরগী রাজ ভবনদা জম্মু অমসুং কাশ্মির হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস গীতামিটলনা মালিকপু ষ্টেট অদুগী ১৩ শুবা গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখি। অদুগা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর লালজি তন্দনবুনা বিহারগী ৩৯ শুবা গভর্ণর ওইনা পত্না হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস মুকেস আর শাহনা পত্না রাজ ভবনদা ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমার অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুসিল কুমার মোদিনচিংবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৩৫ কী এপ্রিল থাদা লক্ষনৌদা পোকখিবা তন্দন কুমজা ১৯৭০ দা পোলিটিক্সতা চঙলকখি। উত্তর প্রদেশ লেজিসলেটিব কাউন্সীলগী মেম্বর অনীরক হন্না ওইরমখি। মহাক লৈখিদ্রবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটল বিহারী বাজপায়ীগসু য়াম্না নক্নবা মীশক ওইরমখি। কুমজা ২০০৯ দা অহানবা ওইনা লক্ষনৌ লোক সভা সিটতগী মায় পাক্তুনা বিহার এসেমব্লীগী মরুওইবা মীশক অমা ওইরকখি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা সত্যা পাল মালিক বিহারগী গভর্ণর ওইনা থৌ পুরমখি। মহাক্কী মহুৎ লালজি তন্দননা শীন্দুনা বিহারগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখি। অদুগা সত্যা পালবুনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা গভর্ণর ওইহনখিবনি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী চীফ সেক্রেটরি ভি আর সুব্রমনিয়মনা সত্যা পাল মালিকপু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা গভর্ণর খল্লকপগী ৱারোল পাথোকখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলা, মেহবুবা মুফ্‌টি অমসুং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা বি জে পি, পি দি পি, নেসনল কনফরেন্স, কোংগ্রেস অমসুং পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মদুদা নত্তনা সিবিল এদমিনিষ্ট্রেসন, পুলিস, সী আর পি এফ, বি এস এফ অমসুং লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। চহী ৭২ শুরবা সত্যা পাল মালিক লৈবাক অসিগী পোলিটিক্সকী লমদা চহী কয়া থবক তৌরম্লে। ষ্টেট অদুগী গভর্ণর এন এন ভোরা থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুং সত্যা পাল ৱাশক লৌখিবনি হায়রি।

ইমুং খুদিংমক য়ুম লৈহন্নবা হোৎনগনি, হাউসিং স্কিমগীদমক শেঞ্জা-থুমজা তৌবীগনু : নরেন্দ্র মোদি

লুজৱা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৈবাক অসিদা লৈবা ইমুং খুদিংমক মশাগী ওইবা য়ুম লৈহন্নবা হোৎনগনি। সেন্টরগী হাউসিং স্কিমগীদমক কনাগুম্বা অমত্তনা শেঞ্জা-থুমজা তৌবীগনু হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী লৈঙাক অসিদা কন্মিসন পীবগী সিষ্টেম লৈতে। মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক লুচিংলম্বা রাজিব গান্ধীনা সেন্টরনা লুপা অমা থাদখিবা মতমদা পৈশা ১৫ খক্তমক লায়রবশিংদা য়ৌহনবা ঙম্মী হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মোদি লৈঙাক্কুদি লুপা ১ থাদখিবা মতমদা শেনফম খুদিংমক লায়রবা য়ুমথোঙশিংদা য়ৌহনগনি হায়না গুজরাতকী লুজৱাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈ-গ্রহা প্রভেসনা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী খুথাংদা খুদোংচাবা ফংগদবা মীওইশিং খঙদোক্কনি। সেন্টরগী ফ্লেগশিপ স্কিমশিংগী মখাদা গুজরাত্তা য়ুম লাখ ১ হেন্না শাখ্রে। স্কিম অদুগী মখাদা লৈঙাক অসিনা ইমুং খুদিংমক মশাগী য়ুম লৈহন্নবা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মখাদা খুদোংচাবা ফংলবা নুপীশিংদসু ৱারী শানবদা মখোয়দা ফাওরিবা পূক্নিংগী ইহুল অদু উবা ফংলি। মখোয় মখোয়গী য়ুম লৈরি। স্কিম অদুগী মখাদা মগুন লৈবা য়ুম অমা শাবা হায়বদুদা মীপুম খুদিংমক্লা ঙক্করম্বা য়াই। গুজরাতকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা স্কিম অদুগী মখাদা খুদোংচাবা ফংলবা নুপী কয়াগা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱারী শানখি। মহাক্কী লৈঙাক্তা কন্মিসন পীবগী মফম লৈতে। মদুনা মরম ওইরগা ফজবা য়ুমশিং শাবা ঙমখিবনি। দিল্লিনা লুপা ১ থাদখিবদা শেনফম অদুম্মক লায়রবশিংদা য়ৌহনবা ঙম্বগী খুদম অমনি। লায়রবশিংদা য়ুম পীবা ঙম্লে। লৈঙাক অসিগী পান্দমদি কুমজা ২০২২ ফাওবদা ইমুং খুদিংমক্লা মশাগী ওইবা য়ুম ফংজবা হায়বদুনি।

ঙসিগী থৌদোক অসি মীদিয়াগী খুথাংদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা উহনবা ঙম্লি। ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা ৱারী শানখিবা অদুদা মোদিনা হংখিবদা নখোয়না য়ুম ফংনবা হোৎনবদা কন্মিসন পীখিবা নৎত্রগা শেঞ্জা-থুমজা তৌখিবা লৈব্রা। মদুগী পাউখুম ওইনা মমা অমসুং নুপী কয়ানা অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা সেন্টরনা পায়খৎপা হাউজিং ফোর ওলগী মখাদা য়ুম ফংনবা হোৎনবদা লুপা অমফাওবা শেঞ্জা-থুমজা তৌখিদে হায়না পাউখুম পীরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, গুজরাত্তগী পারা কয়া তম্বা ঙম্লে। মসিনা অকক্ন বা মতম অমদা মীপুম খুদিংমক্তা মশাগী য়ুম লৈহনবা হায়বা মঙলান অদু মঙফাওনহনবা ঙম্লগনি। মহাক্কী মঙলানদি কুমজা ২০২২ ফাওবদা মীয়ামদা য়ুম পীবনি। লৈঙাক অসিনা মখোয়দা শেল পীখ্রে। মদুনা মখোয়গী নুংশিরবা অমদি ফজরবা য়ুম শাবা ঙম্লিবনি। করম তৌনা য়ুম শাগনি, করম্বা মচাকশিং শীজিন্নগনি। লোয়ননা কনাদা শিন্নগদি হায়বদু চপ চানা লেপথোক্তুনা খুদোংচাবা ফংলবা মশা-মশাদা য়ুম শাজনবগী খুদোংচাবা অদু পীখি। মদু খ্বাইদগী ফবা খোঙথাং অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ঙসি অয়ুক গুজরাত্ত থুংখি। মদুগী মতুং ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎখি। লোয়ননা নৌনা শাগৎপা গুজরাত মেদিকেল এন্দ এদ্যুকেসনল রিছার্স সোসাইটি অমসুং ফিশরিজ কোলেজ অনী য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখি। মদুদা নত্তনা জুনাগাধদা লৈবা পুলিস ট্রেনিং কোলেজদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

বর্দৱানদা খুৎ থোক্লবদা মীওই ২৫ শোক্লে

বর্দৱান, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বর্দৱান দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা খুঙ্গং অমদা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ অশোক অপন নংখ্রে। সোসল মীদিয়াদা লমদম অদুদা লৈবা নুপী অমগী ফি থোংদবা শক্তম থাগৎলকখিবগী মায়োক্তা ঙসি খুঞ্জাশিংগী মরক্তা চাউনা উংখৎনবগা লোয়ননা খুৎ থোক্লখিবনি হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোলকটাদগী কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা পুর্বা গোলপরা অমসুং দঙ্গাপুরদা ঙসি খুৎ থোক্ল খিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ২৯ ফারে। হৌজিক থৌদোক অদুদা চাউনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী থিবগী থবক চথুরি হায়না বর্দৱান সিনিয়র পুলিস ওফিসর রাজ নরায়ন মুখর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

দঙ্গাপুর খুঙ্গংদা লৈবা মীওইশিংনা নুপী অমগী ফি থোংদবা শক্তম সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখিবা অদুদা সেখ রখিবুল কৌবা পুর্বা গোলপরা খুঙ্গংদা লৈবা মীওই অমা চেন্নে হায়না মরাল শিরি। মীওই কাঙলুপ খরনা সেখ রখিবুল শৌগৎলকপদগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা চাউনা উংখৎনরকপগা লোয়ননা খুৎ থোক্লখিবনি হায়রি।

ঈচাউ নংখ্রবা কেরলাদা শেংদোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে, য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন্না য়ুরো ১,৯০,০০০ তেংবাং পীরকখ্রে

টিরুবনন্তপুরম, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

ঈচাউ হন্থখিবগা লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্লা হৌজিক ষ্টেট শিনবা থুংনা শেংদোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। ঈশিং থুমজিনখিবা মফম কয়াদা হৌজিক লৈখোম-লৈনাং অমদি অতেক-অকায় কয়া পৈশিন্দুনা লৈরি। ষ্টেট লৈঙাক্লা টিরুবনন্তপুরমদা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা শেংদোকপগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউ ফাওননবা থৌশিল পায়খৎলি হায়রি।

পাউগী লীখুন অসিগী মতুংইন্না ম্যুনিসিপাল এজেন্সীশিংনা মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শেংদোকপগী থবক পায়খৎলি। হরিথা কেরলা মিসন্নসু শেংদোকপগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংলি। হায় পৱার পম্প সেট ৫০ মথৌ তৌহন্দুনা শেংদোকপগী থবক ইরাই নুমীৎতগী হৌননবা শেম-শাখ্রে। ঈচাউ অদুনা মরম ওইরগা তুহনখ্রবা ইলেক্ট্রিক পোল অমসুং লম্বী কয়াদা তাশিন্দুনা লৈরিবা উ-ৱাশিং লৌথোকপগী থবকসু পায়খৎলি।

ভলুন্টিয়ার লিশিং ৫০ হেনবনা মীয়ামগী ওফিস অমসুং লম্বী কয়া শেংদোকপগী থবক পায়খৎলি। হৌজিক ষ্টেট অদুগী মফম অয়াম্বদা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈরম্বশিং অদু হন্থখ্রে। মীওই কয়া ময়ুমদা হন্নবা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক মীওই লাখ ১৩ দি হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্লা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি ভিজয়ননা রিভিয়ু মীটিং কয়া পাঙথোক্তুনা শেমগৎ-শাগৎপা অমসুং শেংদোকপগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লি। কেরলা ৱাটর ওথোরিটিনা ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অমুক হন্না ঈশিং পীবগী থবক পায়খৎনবা শেম-শাখ্রে হায়না ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর মেথিয়ু টি থোমাসনা ফোঙদোরক্লি।

কেরলাদা হন্দক তমথিবা ঈচাউ থোক্তুনা মাঙ-তাকহনখিবা কয়া শেমগৎনবগীদমক য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিদা য়ুরো ১,৯০,০০০ গী ওইবা তেংবাং পীরকখ্রে হায়রি। কুমগী নোংনা মরম ওইরগা থোকখিবা শাথিবা ঈচাউ অদুনা কেরলাগী মফম অয়াম্বা চাউনা মাঙহন তাকহনখ্রে। হ্যুমেনিটেরিয়ন এইদ ফন্দিংগী মখাদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না শেনফম অদু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিদা পীরকখিবনি। হন্দক থোকখিবা ঈচাউ অদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭০ গী পুন্সি মাঙহনখ্রে। অদুগী মীওই লাখ কয়ানা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লৈঙাক্লা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনখি হায়রি।

মিদনাপোরদা লৈবা তৃণমুল কোংগ্রেস ওফিসতা পোকখায়বদা মীওই ২ শিরে, ৩ শোক্লে

মিদনাপোর, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৱেষ্ট মিদনাপোর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তৃণমুল কোংগ্রেস পার্টি ওফিস মনুংদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা তৃণমুল কোংগ্রেস ৱার্কর অনী শিরে অদুগা অহুম্না অশোক-অপন নংখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না তৃণমুল কোংগ্রেসকী ওফিস অদু দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মকরামপুর খুঙ্গংগী নরায়ঙ্গর লমদমদা লৈবনি। ঙসি অয়ুক খঙহৌদনা ওফিস অদুগী মনুংদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অতেক-অকায় নংখ্রবা ওফিস অদুগী শক্তম অমসুং শোক্লবা মীওইশিংগী শক্তম কয়া সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকপা থেংনখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না শোক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা অমগী ফীভম লুরি হায়রি।

অতোপ্পা পাউগী লীখুন অমনদি শোকখিবা মীগী মশিং ৫ শুই হায়রি। পুলিসনা খুদক্তা মফম অদুদা চঙশিনবগা লোয়ননা পোকখায়বগী থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো হায়বা খঙদোক্লবা থিজিন-হুমজিনবা হৌখ্রে হায়রি। ঙসি তৃণমুল কোংগ্রেসকী পার্টি ওফিস অদুদা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবা মদুগীদমক পার্টি অদুগী ৱার্করশিংনা ওফিস অদুগী থোঙ হাংদোক্লু বা মতমদা খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবনি হায়রি।

ঙসি অয়ুক পার্টি অদুগী ৱার্করশিংনা মীফম অদুগীদমক শেম-শাননবা মাঙজৌননা ওফিস অদু হাংদোকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী পোকখায়বগী থৌদোক অদু করম তৌনা থোকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। শোক্লবা মীওইশিং অদু মিদনাপোর মেদিকেল কোলেজদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

কুমজা ২০১৯ দা লোক সভা মীখল পাঙথোক্কদবা লৈবনা ষ্টেট অদুদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা করম তৌনা হান্নগুম সিট মশিং ফংগদগে হায়বগী মতাংদা অচৌবা খন্ন-নৈনবা মতম ওইবনা দিষ্ট্রিক্ট লেবেলদা লৈবা পার্টি ওফিসশিংদসু হিরম অদুগী মতাংদা খন্ননবা শেম-শারিবনি। নাকল অমরোমদা, বি জে পি থেংননবগীদমক ওপোজিসন পার্টিশিং চাউনা চুংশিন্নবগী ৱাফম অমসু লাক্লি। লোয়ননা ওপোজিসনগী প্রাইম মিনিষ্টর কনানা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা মখোয় মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লরিবনি হায়রি।

হিমাচল প্রদেশতা গাড়ী অমা লোকখাদা ওন্থখিবদা ১১ শিরে



কুল্লু, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):

হিমাচল প্রদেশকী কুল্লু দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা রোহতামগী রানি নালাহগী চীংগী লম্বী অমদগী কার অমা ওন্থখিবদা মীওই ১১ শিরে।

কার অদু শোয়বদগী লম্বীদগী নাম্থোক্তুনা অরুবা লোকনুং অদুদা ওন্থখিবদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকখি। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না গাড়ী অদুদা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিং অমসুং লমদম অদুগী মীওই খরা তোংলকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা পুন্না মীওই ১১ শিখি। মদুগী মনুংদা নুপী মঙা অমসুং অঙাং অহুম য়াওরি হায়রি। অহানবা ওইনা থিগৎপদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লমদম অদুদা অকনবা নোংচুবনা মরম ওইরগা উবা ঙম্বগী চাং হন্থখিবদগী শোয়দুনা গাড়ী অদু লোকনুংদা ওন্থখিবনি হায়না লোকেল পুলিসকী মকোক সালিনি অগ্নি হোট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না থৌদোক অদু য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমীদাংদা থোকখিবনি। অদুম ওইনমক পুলিসনা খুদোংথিবা থৌদোক থোকখ্রে হায়বদু ঙসি অয়ুক খক্তদা খঙবা ঙমখিবনি হায়রি। লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লোকনুং অদুদগী মী লৌখৎনবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙহনখি। মী কনবা কাঙবু লাক্ত্রিঙৈ মমাঙদা খুঞ্জাশিংনা মী কনবগী থবক পায়খৎপা হৌরমখি। মফম অদু চীংগী শরুক ওইবনা মী কনবা কাঙবুশিং চঙশিনবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি হায়রি।

লমদম অদুদা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম ফত্তবনা মতম অমদা হেক্তমক লেন্দস্লাইদ থোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরিবনি। মনালি-লে হায়ৱেগী রোহতান হায়রিবা মফম অদু তোয়না লেন্দস্লাইদ থোক্কনবা অমসুং গাড়ী কয়া খুদোংথিবা নংলিবা মফমনি হায়রি। মী কনবগী থবক পায়খৎপদা মতম থেংথখিবগী মতাংদা খুঞ্জাশিংনা পেন্নখিদ্রে হায়রি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্রিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইঙ্খোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশেম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

মীয়ামগী: জ্যোতিষ মহাঋষি

JM Dr Ph. Rajendra

Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5205/10/8-9/9

ꯑꯃꯨꯛꯇꯪ/অমুক্তং ওজা অব্দুল হককী হিদাক চাবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনিংই

পাইলসগী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা অৱাবা খাংদুনা লাকখি। লায়নাগী লাইওংশিংদি: খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, শৌজদা চাথৎলগা থুপ্পা শাবা, খোঙ হাম্বদা বেরা কাবা, শৌজদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাক্কৎচবা, চক্-চক্ থিনবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা শৌজ তারকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, গ্যেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গৈ ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী অৱাংদা লৈবা ওজা **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬/৮৭৯৪৪২৯৬৮১** গী হিদাক চাজবদগী পাইলস মপুং ফানা ফজরে, অৱাবা অমত্তা লৈজদ্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। পাইলস প্রোব্লেম লৈবশিংনা ওজাগা অমুক্তং তান্নবীদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু হায়জনিংই।

থাগৎচরিবা : **L. TIKEN**
Kontha Ahallup Awang

HL-P/4246/24

BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

Imphal, the 23rd August, 2018

No.Ex/58/ HSLC Examination, 2018 গী পরিক্ষাগী Mark তা অশোই অরান খরা য়াওরে হায়বগীদমক্তা চথরিবা Enquiry Committee গী report করিগুম্বা মখল অমত্তদা Board না থেংথহনবগী ৱাফম লৈজদে। তৌবতবু Enquiry গী মতম অসি ওগষ্টকী তাং ১৪ দা লোইগনি হায়না তৌরম্বা অদু গভর্নমেন্টকী Order no. 4/16/2017-SE(s)pt. dt. 10-08-2018 গী মতুং ইন্না ওগষ্টকী তাং ২৪-০৮-২০১৮ ফাওবা শাংদোকখিবনি। মীয়াম পুম্নমক্লা হিরম অসিদা লান্না লৌবীদনবা আপিল তৌজরি।

আপিল তৌজরিবা ঃ শ্রী অখাম জয়কুমার সিংহ
সেক্রেটরি

HL-P/2027/24

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, (TBL) DSLR-Manipur

Ref:- Mut. Case No. 364/AS&SO/VIII/(TBL) Dated : 23/08/2018

1. Laishram Manitombi Devi W/o (L) Kalimu Singh of Khangabok Sorok Wangma.
2. –do– Roben Singh S/o (L) –do– of –do–.
3. –do– Bimol Singh S/o (L) –do– of –do–.
4. –do– Surjit Singh S/o (L) –do– of –do–.
5. –do– Romita Devi D/o (L) –do– of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

(Late) Laishram Kalimu Singh S/o (L) Dhananjoy Singh of Khangabok Awang Leikai.

-O.P.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 23/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ২৫৪০ (অরিবা) পাট্টা নং ২৭৪৫/৩৫৯৪ (অনৌবা) দাগ নং ৪৮৫৭/৫০০৪ এরিয়া ০.১৮২১ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার লাইশ্রম কালিমু সিংহ মৃ:তু ওইখ্রে। মৃ:তু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা মৃ:তু পাট্টাদারগী লোয়নবী অমদি মহাক্কী মচাশিংগী মমীংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি তাং ৩১/০৮/২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer
(TBL) DSLR-Manipur

HL-P/5270/24

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, Thoubal, Govt. of Manipur

Ref:- Mut. Case No. 365/AS&SO/TBL Dated : 23/08/2018

1. Leitanthem Jiten Singh S/o (L) Ibopishak Singh of Thoubal Bazar.
2. –do– Biswajit Singh S/o (L) –do– of –do–.
3. –do– Gopeshwar Singh S/o (L) –do– of –do–.

-Applicants

-Vrs-

(Late) Leitanthem Ibopishak Singh S/o (L) Kanhai Singh of Thoubal Bazar.

-O.P.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 23/08/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি- তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৬৩০ (অনৌবা) দাগ নং ২১৬৬ এরিয়া ০.০৬১০ হেক্তর, পাট্টা নং ৬১৪ (অনৌবা), দাগ নং ৩০৮৩ এরিয়া ০.০৪৭৫ হেক্তর অমসুং পাট্টা নং ৬১৩ (অনৌবা), দাগ নং ৩০৮২ এরিয়া ০.০০৭২ হেক্তর অমদি পাট্টা নং ৬০২/১২৬৯ অনৌবা দাগ নং ৩০৬৯ এরিয়া ০.০২৮৩ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদা নমা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা মৃতু পাট্টাদারগী মচানুপা অহুম (৩) গী মমীংদা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মরি-মতা, মচা-মশুশিংনা ওবজেক্সন (য়েৎনিংবা) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey and Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/5270/24

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ/TATA (4 WHEELER) & KTM BIKE RC 200 অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি

Moirang দা Tiddim Road তগী মিটর ২০০ রোম নোংচুপ পাংনা চৎলগা লৈবা খাদা গেলমোন (Gelmon) লম্বী অৱাংদা তুরেল মচা অমা লৈবা লৌ সঙম তরেৎ মখায় (চাওরাক্লা পরি ২ মুক চাওবা) Brick Field, Dairy Farm নচিংবা তৌবদা য়াম্না খুদোংচাগদবা লম্বীগা হেক তাইনবা অমা, KTM Bike RC 200 লৌবদা ঙায়রিবা কি:মি: ৫০০ খক্তং চৎলিবা অমা অমসুং TATA 1613, 4 Wheeler (Army Auction) অমগা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইনা মখাগী ফোন নম্বরশিং অসিদা কন্তেক তৌবীরকউ।

***Contact Nos.:* ☎ 8575183774 / 8729907044 / 8415978332**

HL-P/2024/24

OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dated : 14/08/2018, Luxmi Bazar

No.IMC/89/V-T/ADVT/2016/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. 2, Shed No. 12, Licence No. 681, Seat No. ... শ্রী/শ্রীমতি Ningthoujam (O) Memchoubi Devi W/o N. Tombi Singh of Heirangoithong Ahongsangbam Leikai গী মীংদা Women Vendor পানবা অসি Vendor মশানা শ্রী/শ্রীমতি Ashangbam Gyaneshori Devi W/o A. Richard Fellow of Kakwa Selungba দা Licence কী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Licence কা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licence কী মীং ওনখ্রগনি।

Sd- **Assistant Municipal Commissioner**
Imphal Municipal Corporation

HL-P/2026/24

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

CORRIGENDUM

Imphal, the 23rd August, 2018

No. 3/3/2009-HSC(Vol.-V)/4352: In partial modification of the orders of even number dated 2nd May, 2018 issued in this regard, it is hereby informed to all the concerned that the **Design of question Paper** of **the 44 subjects** (given in the enclosed Annexure) **for Class XII** will be implemented with effect from the session, **2019-2020**.

All concerned are, therefore, informed to do the needful accordingly.

These issues with the ex-post facto approval of the Council.

Sd/- **Kh. Gunabati Devi**
Deputy Secretary (Aca-I)
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/4812/24